HUEIYEN LANPAO



## য়ুম থুগায়বদা চেন্নবা ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০২: মোরে পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা য়ুম ২৩ থুগায় য়ানখাইবদা চেন্নবা মীওই অহুম মোরে পুলিসনা ঙসি নুংথিল ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ফারবা মীওই অহুম অদুগী মমা-মপা, মৈতৈ কাউন্সিল মোরে, মৈরা পায়বী, হিল ট্রাইবেল কাউন্সিল মোরে য়াওনা মোরে পুলিসকী অৱা মহলদা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুন্না ফম্মিন্নরবা মতুংদা মীওইশিং অদুনা মতুংদা তৌজররোই লাঞ্জরে হায়খি অমদি মখোয়না থুগায়রুবা ফেন্সিং, গেট অমদি য়ুম্ন চিংবশিং অদু হয়েং ঐচ দি সীনা থৌদাং লৌরগা অমুক হন্না শেমজিল্লগনি হায়বদগী য়ানবা পুরকখ্রে।

## থি-হুন্বা চথখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০২: থা অসিগী ৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী মীৎয়েং মখাদা স্নীপর দোগ শীজিন্নদুনা মীনুথোংদগী সঞ্জেনথোং ফাওবদা অমদি কে আর লেন্দ, গোলাপতিদা চিংনবা পোৎশিং লৈব্রা হায়দুনা থি-হুন্বা চথখ্রে।

## GAS NEWS

**ASHANGBI INDANE SUGNU**
Booking Upto:02/11/2018
Valid From:28/10/2018
***Stk : 306***
Timing:09.00am to 11.00am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:10/11/2018
Valid From:04/11/2018
***Stk 14 kg :612***
Timing:08.00am to 10.30am

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking Upto:01/11/2018
Valid From:24/10/2018
***Stk :612 (CTC)***
Timing:07.30am to 11.00am

**HRANGCHAL GAS AGENCY OLD LAMBULANE**
Booking Upto:24/11/2018
Valid From:19/11/2018
***Stk :612 (Aadhaar Link Consumers Only)***

**JEMON GAS SERVICE, SINGJAMEI CHINGAMATHAK SL.NO. UPTO - 33170**
Booking Upto:23/10/2018
Valid From:11/10/2018
***Stk :612***
Timing:07.00am to 09.30am

**K&K INDANE SERVICE SL.NO. UPTO - 200**
Booking Upto:12/12/2018
Valid From:04/12/2018
***Stk :612, Rs.810.50/-***
Timing:07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)

**KHONGNANG GAS NINGTHOUKHONG**
Booking Upto:05/10/2018
Valid From:20/09/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:20/11/2018
Valid From:14/11/2018
***Stk Limit:306 (DBTL)***
Timing:07.30am to 10.30am
(First Come First Chance)

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto:20/11/2018
Valid From:14/11/2018
***Stk:612 (DBTL), Rs.810.50/-***
Timing:07.30am to 10.30am

**MAIBIA GAS MOIRANG SL.NO. 7161-7680**
Booking Upto:02/11/2018
Valid From:01/11/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:06/11/2018
Valid From:01/11/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 09.30am

**MANIPUR POLICE GAS SL.NO. 01-100**
Booking Upto:26/11/2018
Valid From:23/11/2018
***Stk :306 (CTC & DNSC)***
Timing:10.00am to 01.00pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:01/12/2018
Valid From:01/11/2018
***Stk :612, 19Kg Stk: 150***
Timing:07.30am to 10.00am

**RBD INDANE SERVICE**
Booking Upto:29/11/2018
Valid From:15/11/2018
***Stk :918***
Timing:07.00am to 11.00am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:21/11/2018
Valid From:15/11/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking Upto:13/11/2018
Valid From:11/11/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 10.30am

**J RONGMEI SK INDANE WANGOI SL.NO. 26961 - 27276**
***Stk :306***
Timing:06.30am to 09.30am

**KHUMBONG INDANE SL.NO. UPTO - 400**
Booking Upto:29/11/2018
Valid From:24/11/2018
***Stk :612, Rs.814/-***
Timing:07.30am to 10.30am

# ক্লাস টুয়েল্ব এগজাম মনুংদা বন্দ তৌদনবা আপিল তৌরক্লি

## ইন্দিয়া পুম্বগী কম্মন সেলেবস মখাদা সবজেক্ট খরা তন্বীবা হৌরে : কাউন্সীল

ইম্ফাল,জন্যুৱারি০২(ঐচএনএস): ইন্দিয়া পুম্বগী ওইবা কম্মন সেলেবস/কম্মন করিক্যুলম প্রোগ্রামগী মতুংইন্না কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা একাদেমীক সেসন ২০১৮-১৯ দগী ক্লাস এলেবেনদা এন সী ঈ আর টিগী সবজেক্টতা ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি, বাইওলোজি অমসুং মেথমেটিক্সকী সবজেক্ট তম্বা হৌহনখ্রে হায়না কাউন্সীলগী সেক্রেটরি সী ঐচ বিরেননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোরক্লি।

কাউন্সীলগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবদা সী ঐচ বিরেননা হায়খি, কাউন্সীলনা মহৈরোয়শিংগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি। মহৈরোয়শিংবু তাকপী তন্বীগদৌরিবা ওজাশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রামসু চথবা লৈখ্রে। ওজা ২০০০ রোম্না ট্রেনিং অদুদা শরুক য়াখি। কাউন্সীলনা ইনি দয়াগী ওইবা কম্মন সেলেবস প্রোগ্রামগী মতুংইন্না একাদেমীক সেসন ২০১৮-১৯ দগী ক্লাস এলেবেনদা এন সী ঈ আর টিগী সেলেবসতা ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি, বাইওলোজি অমসুং মেথমেটিক্স সবজেক্টশিং তাকপী তন্বীবা হৌখ্রে। সবজেক্টশিং অসিগী টেক্স বুকশিং অহোংবা মমলদা মহৈরোয়শিংদা মতম চানা ফংহনবা ঙমখি। ক্লাস টুয়েল্বকী সবজেক্টশিং অসিগী টেক্স বুকশিং মতম চানা মহৈরোয়শিংদা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। কম্মন ওইনা চৎনগদবা সেলেবস অসিগী মখাদা মহৈরোয়শিংনা ওল ইন্দিয়াগী ওইবা কম্মন এন্ট্রান্স এগজামশিংদা শরুক য়াবা মতমদা মায় পাকপগী খুদোংচাবা ফংগনি। মমাঙদদি সেলেবসকী খেন্নবা লৈরম্বনা মহৈরোয়শিংনা কাউন্সীলগী অমসুং অতৈ লাইরিকশিং পাদুনা অৱাৎপা মেনশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরম্মী। কম্মন সেলেবস হোংদোরকপা মতুংদগীদি মহৈরোয়শিংগী পোৎলুম অসি খরমখৈদি হন্থরগনি থাজে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী মখাদা চঙশিল্লক্লিবা নেসনল একাদেমীক দিপোজিটরি প্রোগ্রাম (এন এ দি) হায়না খঙনরিবা অসিদা কাউন্সীলসু খোঙজেল য়াংনা চঙশিল্লি। দিজিটেলাইজ তৌবা মহৈরোয়শিংগী একাদেমীক দোক্যুমেন্টশিং, ফার্মশিংগী খুখাংদা অপলোদ তৌদুনা থম্লগা মহৈরোয়শিংনা মশা মশাগী দোক্যুমেন্টশিং অদু অপান্বা মতমদা য়েংজবা অমসুং শীজিন্নবা য়াবগী কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনরি। কাউন্সীলগী বার কোদ শীজিন্নদুনা মেছিনগী মতেংনা কোদিং তৌদুনা অমসুং ও এম আর শীজিন্নদুনা ইরর ফ্রি ওইবা এগজামশিং পাঙথোক্লি। টেক্নিকশিং অসিগী মতেংনা কাউন্সীলনা তেল্লবা মতমগী মনুংদা এগজামগী রিজল্ট লাউথোকপা ঙমদুনা মহৈরোয়শিংনা ইনষ্টিট্যুটশিংদা মিং চনবগী তাঞ্জা অদু কোম্না ফংহনবনি। অচৌবা মতেং পাংবা ঙম্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম অমদি রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা এদ্যুকেসনবু অহেনবা মীৎয়েং য়েংবীদুনা মহৈরোয়শিংগী খল্লগা কাউন্সীল ওফিস বিল্ডিং অসিগী মখাথংবদা লম অমসু কাউন্সীলগী পীরে। মসিগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎলি। শেল-থুম মতিক চানা লৈতবনা মরম ওইদুনা কাউন্সীলনা লম অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপা ঙমদ্রি। ইমপ্লোয়ীশিংগী ওইবা মতম মতমগী ফংফম থোকপা কান্নবশিং পীদুনা লাক্লি। কন্ট্রেক্টনচিংবা লৈরম্বা ইমপ্লোয়ীশিং কয়া রেগ্যুলর তাখ্রে। পেন্সন স্কিমসু চৎনবা হৌখ্রে।

হৌজিক কাউন্সীলদা দ্রাইভর তরেৎ লৈ। মসিগী মনুংদা অমা লৈখিদ্রে। অনী অমনা মেদিকেল গ্রাউন্দদা লৈরে। এগজাম লাকপসিদা দ্রাইভর ১০ রোম মথৌ তারি। হৌজিক মরিখক লৈরিবা অসিনা কোন্নদবদগী দেলি ৱেজদা শীজিন্নবনি। কাউন্সীলগী ষ্টাফ তরুকসু থা তরুক্কী ওইনা একাউন্টস ট্রেনিং চৎখি। পোষ্টশিং অসিগী অৱাৎপা লৈরকপনা এল দি এ অনী, দ্রাইভর অনী পুন্না ষ্টাফ মরি দেলি ৱেজদা থা ৩ খক্কী ওইনা শীজিন্নবনি। মখোয় কন্ট্রেক্টসু নত্তে। এদোক নৎত্রগা ওফিস সিটিংসু নত্তে। ওফিসকী তঙাইফদবা লৈবদগী দেলি ৱেজ বেসিসতা শীজিন্নবনি। পোষ্টশিং অসি মেনশিনবা মতমদা তঙাইফদবা রেগ্যুলর এপোইন্টন্টেকী ইনফম থোকপা ফোর্মেলিটিশিং ইনদুনা পাঙথোক্কদবনি।

কাউন্সীলনা লৌবা চহীসিগী এগজাম ফেব্রুৱারি ১৮ দগী হৌগদৌরিবা অসি য়েংলগা বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা তৌবীগনু। এগজামগী ওইবা চেকশিন থৌরাং কয়াসু কাউন্সীলগী মাইকৈদগী লৌখৎকনি। চহীসিগী ওইনা মহৈরোয় ৩০,০০০ রোম এগজাম থাগদৌরি হায়নসু মখা তাখি।

# ‘পি এম এ ৱাইগী মখাদা য়ুম ৩৭ শাবা লোয়শিন্দনা লৈরি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০২ (ঐচ এন এস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চনবা উয়ুমপোক গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা লায়রবগী পনখৈগী মনুংদা লৈবা মীওই ৪৭ প্রাইম মিনিষ্টর অৱাজ যোজনা গ্রামিন (পি এম এ ৱাই) গী মখাদা বিনিফিসরি খনখিবা অদুগী মনুংদা মীওই ৩৭ দি অহুমশুবা ফেজগী শেন্থং মখা তানা পীথরক্তবনা শাবা লোয়শিন্দনা লৈরে।

ঙসি বিনিফিসরিশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, কুমজা ২০১৬-১৭ গী পি এম এ ৱাইগী মখাদা য়ুম অমা শাবদা পুন্না লুপা লাখ ১.৫০ নি। অহানবা ফেজগী ওইনা বিনিফিসরি ৪৭ অদুগী লুপা লীশিং ৪৮/৪৮ পীথরক্তুনা য়ুম শাবা হৌনখি। অনীশুবা ফেজগী লুপা লীশিং ৪২/৪২ পীথখ্রে। অদুবু মীওই খরা অমদি অনীশুবা ফেজগী শেন্থং অসি ফঙদবনা হৌজিক নোংখ্রাং চায়দুনা লোয়শিনবা ঙমদনা লৈরি হায়রি।

বিনিফিসরি অমনা ফোঙদোরকপদা, ৱার্দ মেম্বর অমনা য়ুম অসি শাবদা অহানবা ফেজগী লুপা লীশিং ১০/১০ খোমগৎখি। অদুগা লুপা লীশিং ৪৮ অদু য়ুম শাবা হৌনবা পীথরকখি। অনীশুবা ফেজগী লুপা লীশিং ৩/৩ মুক পীয়ু হায়রকপদগী শেল লৈতবা বিনিফিসরিশিংনা শেল পীবা ঙমদবদগী অনীশুবা ফেজগী লুপা ৪২ গী শেনফম অদু ফঙবা ঙমদনা লৈরি। পীবা ঙম্বা কাঙবুনা অনীশুবা ফেজগী শেনফমদু ফঙদুনা য়ুম কৈ শেমজিনবা হৌখি। থর্দ ফেজগীসু ৱার্দ মেম্বরনা লুপা লীশিং ৩/৩ পীরগা ৱাৎহৌরিবা লুপা লীশিং ৬০ অদু পীগনি হায়রকপদগী শেল পীবা ঙমদবা কাঙবুদি য়ুম শাবা লোয়শিনবা ঙমদনা লৈরি। বিনিফিসরি নুপী অমদি মশাগী শম কক্তুনা য়োল্লগা মেম্বরনা পীয়ু হায়বা লুপা লীশিং অহুম অদু পীরগা অনীশুবা ফেজগী শেল লৌরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

হৌজিক উয়ুমপোক জি পিগী মনুংদা পুন্না য়ুম ৪৭ অদুগী মনুংদা য়ুম তরাদি থর্দ ফেজগী পৈশা ফঙদুনা শাবা লোয়শিন্নখ্রে। য়ুম ৩৭ অমদি সেকেন্দ ফেজ অমদি থর্দ ফেজগী পৈশা ফঙদদুনা লৈরি। মরম অদুনা এ সী অসিগী এম এল এনা মীৎয়েং চঙবীদবদগী বিনিফিসরিশিংনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# ইমপ্লোয়ীশিংগী ৭শুবা পেগী ...

*লামায় ২গী মখা...* ইমপ্লোয়ীশিংগী ৭ শুবা সেন্ট্রেল পেগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপীরমদে হায়রি।

কুমজা ২০১৬ কী জন্যুৱারি ১ দগী ৭ শুবা সেন্ট্রেল পে অসি এরিয়ার য়াওনা পীথোকপিয়ু অমদি ৭ শুবা সেন্ট্রেল পেগী মতংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগা মঙারক হন্না উনখ্রে। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং, পেন্সনরগী দিমান্দ থবক ওইনদি অমত্তা ওন্থোকপীখিদে হায়রি।

ষ্টেট লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিগীদা দেলিগেসন টিম অমা চৎলগা উনবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরনা জন্যুৱারি ৭ ফাওবদি প্রাইম মিনিষ্টর লাক্কদবা মরম্না উনবগী খুদোংচাবা অমত্তা লৈতে হায়রকখি। মরম অদুনা জন্যুৱারি ৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা অসিদা ৭ শুবা সেন্ট্রেল পে অসি পীনবা মণিপুরগী অচৌবা ফাইনান্সিয়েল পেকেজ অমা পীবিনবা লাউথোকপীরম্মু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, বি জে পিগী ভিজন দোক্যুমেন্টদা য়াওবা ইমপ্লোয়ীশিংগী ৱেলফেয়র স্কীমগা মরী লৈননা থবক তৌগনি হায়বা অদু থবক ওইনা পাঙথোকপিয়ু। বি জে পিগী এম পি ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দগা অনীরক উনখ্রে। অদুবু চপ চাবা পাউখুম অমত্তা পীরক্তে। জে এ সী, এমটুক অমদি এমজিওদা থাজবা কয়ারক পীরবসু থবক ওইনদি পাঙথোকপিদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মণিপুর য়াওনা অৱাং- ...

*লামায় ২গী মখা...* সেকেন্দরিগী থাক্তা ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংগা য়েংনবদা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট পুম্নমক ফীভম খরা ফনা লৈরি। খ্বাইদগী চাং ৱাংবা ষ্টেটতি কর্নাটাকানি। ষ্টেট অসিগী হায়র সেকেন্দরি থাক্তা স্কুল দ্রোপআউটকী চাং চাদা ৯৯.৯৩ ওইরি। অৱাং-নোংপোক্কী ওইনদি চাদা ২২.৪৬ ওইবা অরুনাচল প্রদেশ, চাদা ১৩.৯৬ ওইবা নাগালেন্দ অমসুং চাদা ১৩.৮২ ওইবা মেঘলায়ানা মকোক মথংদা লৈরি। অতৈ অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনদি মণিপুরগী চাদা ১১.৮১, অসামগী চাদা ১১.৭২, ত্রিপুরাগী চাদা ১১.২১ অমসুং মিজোরামগী চাদা ৬.৪২নি।

# পাউচে য়েন্থোকপগী শিনফমদা...

*লামায় ২গী মখা...* লৌখৎপা হৌরে। লাক্কদৌরিবা চহী ১০ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা অহোংবা কয়া ষ্টেট অসিদা শোইদনা উবা ফংলগনি। মীয়াম্না লৈঙাকপু নুংশিবিবা অমদি পীরকপা তেংবাংশিং থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, মীচম মীয়ামগী থৌগল তৌবগা লোয়নননা খুঙ্গং চৎসি থৌরমদা অঙাংশিং মপুং ফানা মহৈ-মশিন তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট অসিদা লাকদৌরিবা খোঙচৎকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা গুৱাহাতি-শিলচর-ইম্ফাল ফ্যুয়ল পাইপ লাইনগী ৱাফম লাউথোকপগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কা মহৈ-মশিন তম্নবগীদমক ষ্টেট অসিদা এসিয়ন য়ুনিভর্সিটি লীংখৎপগী ৱাফম লাউথোক্লগ্বা য়াই।

থৌরম অদুদা কঞ্জ্যুমর এফেয়রস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যাম্না হায়খি, হোকরশিংনা নুমিৎ খুদিংগী থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী ঈ-পাউ মীয়ামদা য়ৌহনবগী থৌদাং লৌরি। হোকরশিংদগী তম্বা য়াবা পারা কয়ামরুম লৈরি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা এসোসিএসনগী মেম্বর খরদা সী এম ঐচ টিগী কার্দ য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা এসোসিএসনগী সিনিয়র মেম্বর খরসু ইকাই খুম্নবা উৎখি। ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী দেপ্যুটি চেয়রমেন এস রাজেন, খুরাই এ সীগী এম এল এ এল সুশিন্দ্রো ওল মণিপুর ন্যুজ পেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অজিৎ ৱাংখেমচা, এসোসিএসনগী মেম্বরশিং অমদি অতৈ মীওই কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রোজেক্ট ৮ ...

*লামায় ২গী মখা...* ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা অসিদা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট অমদি দোলাই থাবী বারাজ প্রোজেক্ট শঙ্গারমগনি। অনৌবা প্রোজেক্ট কয়াগী উরেপ-উয়ুংসু তমগনি। হপ্তা কাঙজৈবুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙগদৌরিবা অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু। প্রাইম মিনিষ্টর খোঙচৎ অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক সিক্যুরিটিকী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলে। প্রাইম মিনিষ্টরনা হাপ্তা কাঙজৈবুংদা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২ দা থুংগদৌরি। পুং ১১ ফাওবদা মীয়াম্না মফম অসিদা থুংবিয়ু হায়নসু মখা তাখি।

খোঙচৎ অদুদা টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুরগী চেয়রমেন ডা. সাপম রঞ্জন, খুরাই এ সীগী এম এল এ, এল সুসিন্দ্রো, এদভাইজর টু সী এম রাজৎ সেথি অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিগা মাংওইননা আই জি পি অমনা লুচিংবা স্পেসল প্রোটেক্সন গ্রুপকী পার্সনল কয়া ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়ননা সিক্যুরিটিগী চেকশিন-থৌরাংশিং য়েংশিনবা হৌখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলগদবা মফম, লাক্কদবা লম্বী অমদি ৱা ঙাঙগদৌরিবা মফমশিংসু এস পি জিগী পার্সনলশিংগা কোয়না চত্তুনা য়েংখ্রে। মণিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াগা এস পি জিগী পার্সনলশিংনসু উনদুনা সিক্যুরিটিগী ওইবা তঙাইফদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি থা অসিগী ৪ গী নুমিৎয়ুংবদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলগনি। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবা মতমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং য়াওনা তরাম্না ওক্কনি।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী অখন্ননা থৌরাং তৌদুনা থল্লবা গাড়িদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কয়াগা লোয়ননা হপ্তা কাঙজৈবুং তম্না লাক্তুনা মফম অদুদা পাঙথোক্কদবা মীয়াম তিনবা মীফমদা ৱা ঙাঙগনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রোজেক্ট ৮ শঙ্গারমগনি। প্রোজেক্ট ৪ নৌনা শেমগৎনবা উরেপ-উয়ুং তমগনি। শঙ্গারমগদবা প্রোজেক্টশিংদি ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট মোরে, দোলাই থাবী বারাজ প্রোজেক্ট, এফ সী আই ফুদ ষ্টোরেজ গোদাওন শঙ্গুং, বফর ৱাটর রিজার্ভর, সিরুই ভিজেল উখ্রুল, ইম্প্রুভমেন্ট এন্দ অপগ্রেদেসন ওফ ৱাটর সপ্লাই ফোর চুড়াচান্দপুর জোন থ্রি, ইকো টুরিজম কমপ্লেক্স থঙ্গাল শুরুং, ইন্টিগ্রেটেদ টুরিস দিসটিনেসন উখ্রুল, ৱাটর সপ্লাই স্কিম জে এন ভি লমবুংইনি। উরেপ-উয়ুং তমগদবশিংদি, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট ওফ ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি, ফ্লদ লাইটিং এট হোকি ষ্টেদিয়ম খুমন লম্পাক, ফ্লদ লাইটিং এট মেন ষ্টেদিয়ম খুমন লম্পাক অমদি এষ্ট্রো টর্ফ ফুটবোল গ্রাউন্দ এট লাংজিং অচৌবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎ অসিগী মাংওইননা হয়েং বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপার্সন ওইবতা নত্তনা মণিপুরগী ইনচার্জসু হাপখ্রবা নলিন কোহলি ইম্ফাল থুংলরগনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অমসুং মীয়ামগী মীফম অসি হেন্না মপুং ফাহন্নবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎনবসু য়েংশিনগদৌরি।

# চান্দেলদা য়ুম অমা মৈনা তুম্না চাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০২: হৌখিবা দিসেম্বর ৩১ গী নুমিদাং পুং ১০ রোম তবা মতমদা চান্দেলগী লম্বুংদা লৈবা য়ুম অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী য়ুম অদুগী পোৎচৈশিং তুম্না মৈ চাকখ্রে হায়রি।

য়ুম্বু অদুগী মমীং হুলাং সুনিতা অনাল (৪৬) কৌই। মহাক্কী মচা অনী অমদি মপুরোয়বা য়াওনা হৌজিক লৈফম লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। মৈ অদু ইলেক্ট্রিক সোর্ট সর্কিটতগী হৌরকপনি হায়রি। মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী পর্সনেলশিং খুদক্তা চান্দেলগী মৈ চাক্লিবা মফম অদুদা লাক্তুনা মৈ কন্নবা হোৎনখি। চান্দেল পুলিসকী ওফিসর য়াওনা মৈ কন্নবা হোৎনখি। চান্দেল দি সী কৃষ্ণকুমার, চান্দেল এস পি অঙম রোমান্স, চান্দেলগী হান্নগী এম এল এ ভিক্তর নুংহুল অমদি সোসল ৱার্কর এসএস ওলিস লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা অঙম্বা মতেংসু পীখ্রে হায়রি।

# টোটেল সটদাউন লাউথোক্লে ...

*লামায় ২গী মখা...* হন্থবা থাক্তা থমদুনা ইকায়বা পী। অদুবু কোন্নদি মীয়ামগী ঈহৌনা মরম ওইদুনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি, অদুদগী ষ্টেট ওইরকখি। ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবদগী ঙসিদি মণিপুর মাঙজবগী মাঙজবা ঙাক্তনা মাগী শরুক ওইহল্লে। লমদমসিগী মীয়ামবু চাউখৎ লম্বীদা পুরকপগী মহুৎতা লোই কৈথেল ওন্থোক্তুনা মতম অমদা মীনা লাকচবা য়াদনা মীপান তাংদনা হিংলকপা ঐখোয়গী মীয়াম্বু মতিং য়াওদবা নিরগা হিংবা ফুরুপ ওইহল্লে। লোই মপু বৃটিশ চৎখ্রবসু নিংতল্লে হায়রিবা ইন্দিয়াদা হান্নগুম চীং-তম খায়দোল্লগা লৈঙাক্তুনা হৌরকফম অমত্তা ওইবা চীংবুরোই-তম্বুরোই মচিন-মনাওবু কিনবা অমদি চঙনবা য়াহন্দনা থল্লি হায়রি।

মাঙখ্রবা নিংতম্বা হঞ্জিন্ননবা চথরিবা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী অপূনবা নিংতম লালহৌ অসিবু মপাঙ্গল শোন্থহন্দনবা হোৎনবদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা লমদম অসিদা নুংশি-চাননা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা খুৎশেমগী লান কয়া থোকহন্দুনা ইরমদম অসিগী লাঞ্জদ্রবা তাঙলবা মপারী-মমোম লিশিং কয়াগী হকচাংদগী শীন্থরকপা অঙাঙবা ঈখেঙনা ইরমদমগী লৈমায় চোৎখ্রে হায়রি।

লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা থৱায়না পোন্থা ওইদুনা মশাদগী শীন্থরকপা অঙাঙবা ঈখেঙতনা য়েক্তুনা থল্লকখিবা মণিপুরগী অপূনবা লমগী ঙমখৈবু মালেমগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা ইন্দিয়ানা লৌশিনখ্রবা মতুংদা থেংখাঙ কয়ারক হন্না থুগায়খ্রে। ইন্দিয়ানা লৌশিনখ্রবা ইরমদমগী লমগী ঙমখৈ অমসুং মশীং য়ামজদ্রবা য়েলহৌমীশিংগী শক্তম মাঙহন্ননবগী চথরক্লিবা থৌওং অসি মণিপুরনা মখোয়গী লোইলম ওইনা হেক লৈরিবমখৈদি লমদমসিগী মীয়াম্না মসিগী চৈনা ফংখিগনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী মশীং য়াম্লবা মীয়াম লমদমসিদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিনহল্লক্তুনা লমদমসিগী মশীং য়ামজদ্রবা য়েলহৌমীশিংগী কাঙ্খুল মুখৎতুনা মণিপুরবু হিন্দুষ্টান ওন্থোক্লবা লেপ্তুনা হোৎনরি। মণিপুর য়াওনা মখোয়না কৌবীরিবা অৱাং-নোংপোক লমদম ৱেসিয়াবু ঙমখৈ ঙাক্লবা বোর্দর পোষ্ট ওইনা থম্বা নৎতনা ঙসি ফাওবদা লমদমশিং অসিবু চাউখৎননবা অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙম্ননবা মশক থোকপা থৌরাং নৎত্রগা থবক অমত্তা লৌখৎত্রি। মমাংদা লৈরম্বা পার্টি কয়াগী গভর্ণমেন্ট কয়ানসু মীয়াম্বু নমথাক তৌদুনা মখোয়গী লোইলম মরা চেৎশিন্ননবা হোৎনবা নৎতনা লমদমসিগী মীয়ামগী মশক থোকপা য়াইফ থৌরাংদি অমত্তা লৌখৎখিবা উদ্রি। মমাংদগী চথরকপা লিচৎ অসি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্ট অসিদসু অহোংবা লৈতে হায়রি।

হন্দক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা অসিসু মণিপুরবু হীরম কয়াদা চাউখৎহন্দুনা লমদমসিগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনগনি হায়দুনা লমদমসিগী মীয়াম্বু নুংশিবা শারগদৌরিবনি। হৌজিক ঐখোয়না চেকশিন্নীংঙাই ওইরিবদি মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা লমদম অসিবু চাউখৎপগী লম্বীদা পুশিনগনি খনবগী মহুৎতা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম লোয়ননা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসিগীদমক ঐখোয় খুঁড শেন্না লৈফম থোকই। মহাক্কী খোঙচৎ অসি মণিপুর মীয়াম্বু অপঙবা শীবা অমদি লমদম অসিগী ইন্দিয়াগী লোইলমনি হায়বা তাকপা অসিনা অতৈ করিসু নত্তে। অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী তাৎ অসিদা ঐখোয়গী মীয়াম্না থাজদুনা পি এমগী খোঙচৎ শৌগৎফম থোক্তে অমদি মহাক্কী মণিপুর খোঙচৎ অসিদা লৈবাক মীয়াম হুপ্পা বোইকোট তৌমিন্নরসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# মরাল লৈরে লাউথোকখ্রবা মীওই ...

*লামায় ২গী মখা...* মতম লেপথোক্লবগী সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোকখিবনি।

প্রোজিক্যুসনগী মাইকৈদগীদি মহাক্না চথখিবা ক্রাইম অনীমক শাথিরবা ক্রাইম ঙাক্তনি। মহাকপু আই পি সীগী সেক্সনশিং অসিগী মতুংইন্না পীফম থোকপা চপ চাবা চৈরাকশিং পীবীয়ু হায়জখি।

অদুবু মহাক্কী মাইকৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনদি মহাক হৌজিক মশাগী চহী ৩০ রোমদমক শুবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং অসি মহাক্না পুরিবনি। মহাক মমাঙথক্তা অসিগুম্বা মরালশিং অমত্তা লংজখিবা লৈখিদে। মহাকপু অহকপা চৈরাক পীরবদি মহাক্কী ইমুং মাঙলগনি হায়খি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱারোলশিং তারবা মতুংদা মহাকপু আই পি সীগী সেক্সন ৩৭৬ কী মখাদনা চহী ৮ ফাদোক লৈবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৩০ ফাইন ওইনা পীনবা খঙহনখি। অদুগা সেক্সন- ৩৮৪ গী মখাদনা চহী ২ ফাদোক লৈবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ২০ ফাইন ওইনা পীনবসু খঙহনখি।

করিগুম্বা মহাক্না ফাইনগী শেনফমশিং অসি পীবা ঙমদ্রগদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা ৬/৬ শাংদোক্কনি অদুগা ফাইনগী শেনফম অসিনা কেস অসিগী ভিক্টিমদা পীগনি হায়রি।

এম দি সনায়াইনা ফাদোক্কী মতমশিং অসি মথং-মথং জেলদা লৈগদবনি। অদুবু মহাক্না হান্না জেলদা লৈখিবা নুমীৎশিংদি ফাদোক্কী অপূনবা মতমশিং অসিদগী কককথৎকনি হায়রি।

অমরোমদা, কেস অসিগী ভিক্টিম মশাদসু নেসনল লিগেল এইদ সার্ভিসেস ওথোরিটিগী কম্পেন্সেসন স্কিম ফোর ৱিমেন ভিক্টিম/ সর্ভাইভরস ওফ সেক্স্যুএল এসোল্ট/ অদর ক্রাইমস, ২০১৮ গী মখাদা কম্পেন্সেসন পীনবসু খঙহনখি।

পুম্নমকসিগী মথক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স এন্দ সপোর্ট সার্ভিসেস টু ভিক্টিমস ওফ রেপ : এ স্কিম ফোর রেট্রোসপেক্টিভ জষ্টিসকী মখাদগী ভিক্টিম মশাদা লুপা লাখ ২ গী শেনফম কম্পেন্সেসন ওইনা পীনবসু থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট/দেপ্যুটি কম্মিস্নারদা খঙহনখি।

# কেনেল তৌবা লোইদনা দোলাই ...

*লামায় ২গী মখা...* রাইট কেনেলগী তৌগদবা শরুক কয়া ৱাৎলি। রাইট কেনেলগী ওইনা দোলাই থাবীদগী সিনাম, য়ুন্নাম খুনৌ, শম্বৈ, চীংখু, খুন্দ্রাকপম অমদি ৱাইতোননচিংবা মফম কয়াদা ফাওদুনা চৎকদবনি। কিলোমিটর ৭.৫০ রোম শাংগদবা কেনেল অসিগী ওইনা হৌজিক কিলোমিটর ৪ রোমদি তৌগদবা ৱাৎলি। তৌননবা থৌরাং পায়খৎলিবা মফমশিং অসিদসু শেমগৎকদবা কয়া ৱাৎলি। লৌফম কয়া অমা ফাওরগা চৎক্কদবা কেনেল হৌজিক তৌবগী থবক হৌদে। চীংখুগী মফম কয়া ফাওদুনা চৎক্কদৌরিবা কেনেলগী শরুকশিংসু তৌবা হৌদ্রিবা মফম কয়া য়াওরি।

লেফট কেনেলগী ওইনসু তৌবা লোইশিন্দ্রিবা শরুকশিং শাংনা লৈরি। কেনেল তৌবা মপুং ফানা লোইশিন্দ্রিবা দোলাই থাবী প্রোজেক্ট শঙ্গাবা য়ারোই। প্রোজেক্ট অসি লমদম অসিগী লৌফমশিংদা ইরিগেসনগী খুদোংচাবা পীনবা মীৎয়েংগা লোয়ননা পায়খৎখিবনি। ইরিগেসনগী মপুং ওইবা কেনেলশিং অসি ঈশিং থাবা য়াবা ফিভমদা লৈরবা মতমদা শঙ্গাবনা চুমগনি। লৌমীশিংগী য়েংলগা কেনেলশিং অসি তৌবা লোইশিনফম থোকই। লৌফমশিংদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংহল্লবদি লৌউ-শিংউগী থবক খোঙজেল য়াংনা পায়খৎপা ঙমগনি।

দোলাই থাবী প্রোজেক্টকী কেনেল য়ৌনা ঈশিং পুরক্কদবা মফমশিংদা শেমগৎ-শাগৎকদবা কয়া অমসু লৈরিবনি। মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা প্রোজেক্ট অসি শঙ্গাবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। হাথু-হাথু হেক্তা শঙ্গানবা হোৎনবা চুম্লোই। লেফট কেনেল অমদি রাইট কেনেল অনীমক মপুং ফানা লোইশিন্নবা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। মফম খরদদি লমগী ওইবা চয়েংনবা খরসু লৈবগী মওং উরি। অসিগুম্বা কয়া অসি মতম চানা য়েংশিনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি।

লৈঙাক অসিনা খুঙ্গং চৎসি মিসন হায়না প্রোগ্রাম পায়খৎলি। খুন্দ্রাকপম এ সী মনুংদসু তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা খুঙ্গং চৎসি মিসনগী প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা লৈখ্রে। প্রোগ্রামশিং অসি পাঙথোকপদা এ সী অসিগী এম এল এদা শরুক য়ানবা চে থাবগী ৱাফমদি উবা ফংদে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা লৈবা দোলাই থাবী বেরেজ অসি লোইশিল্লকপদা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদবতা নত্তনা দামগী মপুং ফাদবা হায়বদু ওইরিবনা শঙ্গাবিগনু হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দোলাই থাবী বারাজগী কেনেল অনী লোইশিন্দ্রি। দোলাই থাবীদগী লম্বোই খুল ফাওরগা কৈবি য়ৌবা কেনেল অমদি দোলাই থাবীদগী য়ুন্নাম খুনৌ ফাওরগা চীংখু, খুন্দ্রাকপম য়ৌবা শরুক লৌপুশিংদগী লৌশিন্দুনা থোনবা নত্তনা তৌবগী শরুক অয়াম্বা ৱাৎলি। ওর্গনাইজেসন অসিনা মরী লৈনবশিংদা হায়দুনা লাকখিবনি। এম পি ইলেক্সন মমাঙদা দোলাই থাবী বারাজ মপুং ফানা লোইশিনবিয়ু। লৈঙাক্না মীয়ামগী ৱাখল ইহুল খঙবা চুম্মী হায়নসু মখা তাখি।

# লমদমসিগী লৈহাওদা চাওরকপা পার্টিনা লৈঙাক পায়হনসি: কুঞ্জকেশ্বর

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২ (ঐচ এন এস): লমদমসিগী লৈহাওদা চাওবা পার্টিনা লৈঙাক পায়হন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি)গী সী দব্লিয়ু সী গী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা এক্স এম এল এ, এস কুঞ্জকেশ্বর (কেবা)না ঙসি উখোংশাং ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনভেন্সনদা ফোঙদোকখ্রে।

এন ঈ আই দি পি হৈরোক কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কনভেন্সন অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এস কুঞ্জকেশ্বরনা হায়খি, এন ঈ আই দি পিগী মায়কৈদগী কুমজা ২০২২ দা অখন্নবা পান্দম অমা থল্লি। পান্দম অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি। লমদমসিগী লৈহাওদা চাওজরকপা পার্টি অসিনা লৈঙাক পায়দুনা মীয়ামগীদমক তৌগে খঙ্ঙবা কয়া অমা লৈরি। কুমজা ২০২২ দা থল্লিবা পান্দম অসি ফংহন্নবগীদমক পার্টি অসিগী ৱার্কররশিং অমদি ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তাই।

রিজনেল পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি। ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা কোকচুংশিন্নদুনা অফবা ৱাখল লৌশিং কয়া পুথোক্তুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিন্নবা হোৎনবা চঙই। রিজনেল পার্টি কনখৎলকপা মতমদা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী মায়কৈদসু অহোংবা কয়া লাক্কনি। লমদমসিদা রিজনেল পার্টি মপাঙ্গল কনবা মতমদা ওইগদবা কয়া অদু খঙমিন্নবা চঙই। পোলিটিকেল ফোর্স অমা মপাঙ্গল কনহন্নবদা মীয়ামগী থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক মরু ওই। মীয়ামগী থবক তৌগে হায়না থোরক্লিবা চেং-চোংনিংলিবা কয়া অসি মীয়াম্না লমজিং লমতাক-পিগদবনি।

কনভেন্সন অদুদা এন ঈ আই দি পি, হৈরোক কেন্দ্র দিভলপেমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মঙ্গিমচা, সোসল সাইটিষ্ট ডা. ধনবীর লাইশ্রম, এন ঈ আই দি পি, সী দব্লিয়ু সীগী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন খেলেন্দ্রো, ৱাই ব্রোজেন্দ্র, ৱাই তোলেঞ্জাও, বলদেব, এন ঈ আই দি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ও মালেস, ৱাই নবচন্দ্রসু দেজদা ফমখি।

# পি এমগী খোঙচত্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরোই : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২: ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইম্ফালদা লাকপগা মরী লৈননা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা মহাক্কী খোঙচৎপু বোইকোটতি তৌগনি, খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা জেনরেল ষ্ট্রাইক্তি তৌরোই হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওদিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বোই কোট হায়বসিগী পাম্বৈসি শুপ্পগী জেনরেল ষ্ট্রাইক খক্তা নত্তে। মরম অসিনা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরোই। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরবু তরাম্না ওক্কদৌরিবশিং অসি বি জে পিনা গাড়ি ৱাইদুনা পুখৎলকদবা মীশিং অদুনি। মহাক্কী মফমদদি মী তিনবা অমসুং তিন্দবা হায়বসিনা মহাক্কী খোঙচৎ মীয়াম্না তরাম্না ওকই নৎত্রগা ওক্তে হায়বদু লেপলোই। মীওই খুদিংমক্কী বেঙ্ক একাওন্টতা লুপা লাখ ১৫/১৫ হাপকনি, ব্লেক মনি ফাগৎকনি, নুমিৎ ১০০ নিগী থৌরাং মখাদা ইম্ফালবু স্মার্ট সিটি ওন্থোক্কনি, স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়বনচিংবা কয়া অমা ফোঙদোকখ্রবসু ঙসি থবক্তা অমফাওবা ওন্থোকপা ঙমদ্রি। মীয়ামদা নমথাক তৌবা অমা মণিপুরদা লাকপদা করিসু নাচুংনিঙাই লৈতে। ঐখোয়গী থৌদাংদি মহাক কয়ামুক মচিন থিবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবদুনি। মহাক লাকপগী মিংদা মফম মফমদা চেকশিন থৌরাংগী মিংদা মীয়ামদা অৱাবা পীবা নত্তনা কান্নবা করিসু ফংলোই।

কুমজা ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইম্ফালদা লাক্তুনা ৱা ঙাঙবদা অহানবা মিনিট ৫ শুবদা ফোঙদোকখিবসি হার্বেল মেদিসিল এক্সপোর্টনা নোর্থ ইষ্টকী নহা ময়াম থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবসি কোকহনবা ঙমগনি হায়বনি। মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা চহী মরি মখায় হেল্লকপদা ঙসি ফাওবা মণিপুরদা হার্বেলগী মেদিসিলগী এক্সপোর্টকী লমদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রি। মীওই অমফাওবা থবক পীবা ঙমদ্রি। মণিপুরদা লাকপগা হেক হৌবদা হায়রম্বা ৱাফম অদু হৌজিক ফাওবদা ওন্থোকপা ঙমদবা হায়বসি ইকাইনিংঙাইনি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্বু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদা অৱাবা নংলিবসি লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোক্লবসু ঙসিফাওবা প্রবিশ চনমগী মীশিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পীবগী মহুত্তা মীশি অসিগী মরমদা থিগৎলিবা সী বি আইনা কেস অসি পায়ররোই হায়না ইমুং-মনুংদা ফোঙদোরকখ্রে।

নোর্থ ইষ্টকী মফমশিং মণিপুর য়াওনা লৈরিবা ষ্টেট ৮ অসি ইন্দিয়াগী ইকোনমি প্রোফাইলদা ষ্ট্রোং প্লেয়র ওইবা য়াই হায়না মোদিনা ফোঙদোক্লম্মী। অদুবু চহী মরি মখায় হেন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবসু মণিপুরগী শেন্মীৎলোন্দা অহোংবা পুরকপা ঙমদ্রি। মণিপুরগী ইকনোমি ফগৎনবা লোটরিগী রেগ্যুলেসন শেল্লগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোক্লক্লি। ইন্দিয়াগী ইকনোমি প্রোফাইলদা ষ্ট্রোং প্লেয়র ওইগনি হায়রম্বদুনা ঙসিদি লোটরি প্লেয়র ওইগদৌরি। লোক্তাক লেক মল্টিমিলিয়ন স্কাম য়াওনা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক থিগৎকনি, কৈবুল লমজাও টুরিস প্লেস ওইনা শেমগৎকনি হায়না হায়রম্বশিং ঙসি থবক অমফাওবা পায়খৎত্রি। মহাক্কী ৱারোলগী মিনিট ২৫ দা মণিপুরগী বোর্দর পিল্লর ময়াম অমা ম্যান্মারগী মখুত্তা মাঙলি হায়না ময়েক শেংনা পল্লি। প্রাইম মিনিষ্টর ওইখ্রবা মতুংদদি ম্যান্মারনা লম লৌশিনবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। নরেন্দ্র মোদিবু তরাম্না ওক্কদৌরিবসি বি জে পিনা গাড়ি ৱাইরগা পুখৎলগা চুম্না লৈতেং ওইনবা ফমহনবা নত্তনা অচুম্বা পাম্বা মীওই অমত্তনা ওক্লোই।

মণিপুরদা মপুং ফানা লৈবাক্কীদমক খন্দুনা থবক তৌবা মীগী মশিং অসুক্কী মতিক লিক্লি। লাইরিক নীংথিনা তম্লগা শেঞ্জাও পায়গনি। মীয়ামগী থবক তৌরগা থিকা ফংগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসিনা খুন্নাই অসি লাঙ্গোই চল্লক্লি। লৈঙাক্কী থৌওংশিংদা চপ চাবা পাউখুম, মীয়াম্না পীবা ঙমদ্রি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু ঙসিদি অনৌবা মীরোল অমগী ইচং থৌবা থৌদাংনা খুন্নাইনা ইন্টলেকচুএল সোসাইটি অমদা পুখত্তুনা ৱাখল্লোন মান্নবশিং তাশিন-খোমজিলক্লি। মসি খুন্নাইগীদমক্তদি অচুম্বা মায়কৈ অমদা খোঙ থাংবা হৌরকপগী খুদম্নি। নরেন্দ্র মোদি ইম্ফালদা লাকপা অসিদা মীয়াম্না থোইদোক্লা থৌৱা শাবিগনু। বোই কোট তৌদুনা ইশাগী নোংমগী শিনফমদা মায় ওনশিনবিয়ু। অমা লাক্কনি নৎত্রগা অমা চৎখিনি। মণিপুরদদি মদুনা অহোংবা পুরক্কদবা লৈতে। রিজনেলিজমদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লসি। ঐখোয়না ঐখোয়গী তুংলমচৎ শেমগনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম থোল্লসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।